ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯒꯁ꯭ꯠ ꯰꯵, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯳꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, ওগষ্ট ০৫, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১৩১শুবা মশীং

# কোভিদ ১৯না শিহনবগী চাং ৱাংখৎলকপা

## চীঞ্জাক অমসুং পূন্সি মহিং হোংদোকপগী তঙাইফদবা

মালেমদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরদুনা শিহনখিবা মীশীং লাখ ৭ লোম য়ৌশিল্লক্লে। ইন্দিয়াগী ওইনসু মীওই লিশিং ৩৯ লোম খূদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিনা শিহনখ্রে। মতম অমদা ফগৎলকপগী চাং (রিকোভরি রেট) চাদা ১০০ ওই হায়না চাউথোকচরম্বা মণিপুরদসু কোভিদ ১৯না মরম ওইরগা শিখিবা মীশীং পূন্না তরেৎ শুরে। মতৌ অসুম্না খূদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিনা মালেমগী মফম পূন্নমক্তা মীওই কয়া মথং-মথং শিহল্লকপা থেংনরি। চৈরকসিদা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দল্লিয়ু ঐচ ও)না কোভিদ-১৯গী মতীক চাবা ভেক্সিন পুথোকপা ঙমগনি হায়বা থাজদ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে। ওনলাইন প্রেস কনফরেন্স অমদা দল্লিয়ু ঐচ ওগী দিরেক্টর জেনরেল টেদ্রোস এধানোম ঘেব্রেয়েসসনা হায়খি, অথুবা মতমদা মতীক চাবা ভেক্সিন অমা পুথোরক্তুনা খূদোংথিনিংঙাই ওইরবা লাইচৎ অসি লাকশিনবা ঙম্লবা য়াই হায়না মীপূম খূদিংমক্না থাজবা থম্নরি। অদুবু চাদা ১০০ ইফেক্টিভ ওইগদবা ভেক্সিন পুথোকপা ঙমগনি হায়বা থাজদ্রে হায়রি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ ঙাকথোক্নবগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মালেমগী থাক্তা য়ানরবা কাঙলোনশিংদি ফেস মাস্ক উপ্পা, সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাকপা অমসুং খূৎ-শা তোয়না হামদুনা লূ-নানবগী হৈনবী থম্বা হায়বসিনি। নাকল-অমরোমদা দল্লিয়ু ঐচ ওগী এদভান্স টিম অমনা খূদোংথিনিংঙাই ওইরবা লাইচৎ অসিগী চপ চাবা হৌরকফম খঙদোক্নবগী মতাংদা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা থিজিনবা লোইখ্রে। য়ু এনগী হেল্থ এজেন্সী অসিনা চাইনাগী ৱুহানদা অচৌবা টিম অমা থারগা মখা তানা থিজিলহন্নবা থৌরাং তৌরি। মীওইবনা চানবগী শাদোং য়োনবা চাইনাগী ৱুহান সিটিদা লৈবা কৈথেল অমদা নোভেল কোরোনাভাইরস হায়রিবা মহীক অসি শাদগী মীওইবদা চোংশিল্লকখিবনি হায়না থাজনরি।

নোভেল কোরোনাভাইরসনা থোকহনবা কোভিদ-১৯না মালেমদা খ্বাইদগী ফীভম থীনা শোকহল্লবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ানা অহুমশুবদা লৈরি। য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সনা অহানবদা অমসুং ব্রাজিলনা অনীশুবদা লৈরি। অতৈ-অতোপ্পা লৈবাকশিংগী ৱাফম তোঙান্না থমখ্রগা ইন্দিয়াদা লায়না-লাইচৎ অসিনা মী য়াম্না শিহনবগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়, মীওই অয়াম্বা হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎপা অমসুং অফবা চীঞ্জাক চাদবা মরম্না ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯না মী কা-হেন্না শিহনবনি। মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না পল্লদুনা য়ুনাইটেদ কিংদমগী নেসনল হেল্থ সর্ভিস (এন ঐচ এস)তা ফ্রন্টলাইন মেদিক ওইনা মথৌ তৌরিবা প্রোফেসর অসীম মলহোত্রানা হায়, লৌনগনবা লায়না-লাইচৎ অমা শন্দোরকপা মতমদা খ্বাইদগী খূদোংথিনিংঙাই ওইরিবসি কা-হেন্না নোয়বা অমসুং হকচাংগী অরূম্বা হেনবা মীওইশিংনি। অসিগুম্বা পূন্সি মহিংনা ওইহল্লকপা লায়নানা নারবা মীওই কয়ামরুম ইন্দিয়াদা লৈ হায়না পল্লদুনা মশাগী চহী ৪২ শুরবা প্রিভেন্টিভ মেদিসিনগী প্রোফেসর অসিনা হায়খি, কোভিদ-১৯ অমসুং অতৈ অতোপ্পা খূদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎশিং ঙাকথোক্নবা মীপূম খূদিংমক পূন্সি মহিং শেমদোকপা তঙাইফদে। টাইপ-টু দাইবেটিস, হায় ব্লদ প্রেসর অমসুং হার্ট দিজিজনচিংবা পূন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়নাগা থাগোন্নদুনা হিংলিবা মীওই পূম্নমক কোভিদ-১৯না শিহনবা য়াবগী রিস্ক ৱাংই। মেটাবোলিক সিন্দ্রোম হায়না খঙনবা হকচাংদা ফেটকী চাং কা-হেন্না য়াওবগী থৌওংনা কনাগুম্বা মীওই অমদা টাইপ-টু দাইবেটিস, হায় ব্লদ প্রেসর অমসুং হার্ট দিজিজ ওইহল্লকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎহল্লি। অসিগুম্বা মীওইশিং কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা মতমদা শিবা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ হায়রি। চাওখৎলকপগী মতুংইন্না মীপূম খূদিংমক থবক চিনবা হেনগৎলকপগা লোয়ননা পূন্সি মহিংদা চাউনা অহোংবা লাক্লে। মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবদি লায়রদনা হোটেল অমদি রেষ্টোরেন্টতা চাবা নৎত্রগনা পেকেটতা হাল্লগা য়োল্লিবা চীঞ্জাক চাবগী চাং ৱাংখৎলক্লে। মসিদসু নৎতনা মীপূম খূদিংমক অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনতা লৈবা মরম্না পূন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না ওইহল্লকপনি হায়রি। ৱাফম অসি তরায়না লৌবা চুমদে।

## ◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

# কোভিদ-১৯গা লান্থেংনবা

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

কোভিদ- ১৯না নাবা মীগী মশীং জর-জর হেঙ্গৎলকপা, মরু ওইনা ফোর্সকী লাইন্দা লৈবা মীওইদা পোজিটিভ ওইবা য়াম্না হেঙ্গৎলকপা, মেদিকেল ষ্টাফ অমদি লায়েংলিবা ডোক্টর ফাওবা নাবা য়াওশিল্লকপা অসিগী পাউখুম ওইনা ঐখোয় হিংখিদবা য়াদে। তুংগী ওইরক্কদৌরিবা মীরোলগী শাফবা পুন্সি মহিং অমগীদমক ঐখোয় থৌনা ফনা লান্থেংনবা তাই। খোংজোম লানফমদা মৈতৈ লান্মীনা পায়বা নোংমৈদি অশাংবা ইনফিল্ড অমসুং স্নাইপর রাইফলনি। মলেশ লান্মীনা শরুক অনী শান্না কাপ্পা য়াবা মার্টিনি রাইফলনি। খূৎলায় ফবা য়াম্না হেনখ্রবসু পাউনা ব্রজবাসিনা থৌনা ফনা মথন্তা ঙাইরবা ফাওবদা মলেশ লান্মী অঙকপা ফংনা হাৎলমখি। শেঙ্গোইস্না অমসুং মপাবুং য়াইস্কুল লাকপনা মখোয় অনীতা ঙাইরবা মতম ফাওবদা মায় ওন্দনা মলেশ লান্মী কয়া চাইখাইদুনা হাৎখি। ৱাংখৈ মৈরাবসু হনবা লৈতনা লান্থেংনদুনা লানফম ময়াইদা সনাতন ধর্ম্ম ফংখি।

অসিগুম্বা থৌনা ফরবা থৱায় কথোকপা পাম্মুদ্রবা অথৌবশিংগী মচা-মশু পোলিটিসিয়ানশিংনা চুম্না উবা ঙমদনা অমগা অমগা খাইবুং-খাইবুং ময়ি চৎপা হৌরকপা, মচেৎ তারকপদগী তঙ্খাই ফাওবা তারকপা, অফ-ফত্ত থিদনা শেলগী পোফমদা চোঙথোক-চোঙশিন শান্নদুনা করবারগী খোঙফম য়েংলকপা অৱাবগী শরুক, নুংঙাইবগী শরুক হায়দুনা মীয়ামগী ৱাখলদা অৱাবা নুংঙাইতবা, চরাংনবা পোকহনবা মতম চাদে।

থৌনা ফরবা ইপা-ইপুশিংনা লানফমদা মায় লৈদনা শিগনি খঙনা চোঙশিন-চোঙশিন্দুনা মথৱায় থাখি। থৌনা ফরবা চিংলেনস্না, হৈরাংখোংজা, চুঙ্গোইস্না নৌজরিবা নহারোল কয়ানা মথৱায় পাম্মুবা লৈতনা মরৈবাক্কীদমক মপুন্সি কৎখি। মতমদুগী থৌনা ফবা, অশেংবা কথোকপা ফীভমশিংদু নীংশিংদবা ঙমদে। মখোয়না হুন্দোক্লম্লবা থৌনা ফবগী, কথোকপগী শরুক অদুগী লেমহৌবা মচেৎ অমত্তং ওইরবসু অততাই ওইনা ৱাজরবা, নংজরবা চান্নীংঙাই থক্লিংঙাই ফংজদ্রবা মীয়ামগী হিংজনীংবা পুন্সিগী শরুক অমনি খন্দুনা লান্থেংনবা অসিদা মায়পুজহন্নীংই। মীয়ামগী ৱারবা পুন্সিগী শরুক্না তাংজফম থিবগী ৱাখল অসি কনানসু খঙবীদনা চিকমাঙনখ্রগদরা? ৱারবসু ৱানা ঐখোয় কোভিদ-১৯গা লান্থেংনখিবা তাই।

*অদোমগী - য়ুম্নাম নিংথেম*
*কোংপাল চিঙ্গাংবম লৈকায়*

# ইলেক্ট্রিসিটি য়াওদনা ঈংহনবা ঙম্বা কুলিং সিষ্টম

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**

শারক্লবা মতমদা ঐখোয়না নীংশিংলকই : ফেন, এয়র কুলর, এয়র কন্দিস্নিং (এ সী) অসিনচিংবা। অদুবু মখোয়সি ইলেক্ট্রিসিটি য়াওদ্রবদি অরেম্বনি। ইলেক্ট্রিসিটি পুথোক্নবা হোৎনবদা অকোয়বগী ফীভমদা চাউনা অকায়বা পী। থর্মেল পৱার প্লান্টশিংদগী থাদোরকপা মৈখু (নুংশিৎ মোৎহনবা) অমসুং কার্বন দাইওক্সাইদ (শাবা হেনগৎহনবা), ঈশিংদগী ইলেক্ট্রিসিটিলৌনবগীদমক শাবা দামশিংনা লৌ উবা অমসুং মী তাবা য়াবা, জীব কয়াগী হিংফম ওইরিবা মফম কয়া মাঙহনবগা লোয়ননা উমং কোকথোকহল্লি। মসিগীসু মথক্তা, অসিগুম্বা ঈংহন্নবা খূৎলায়শিং শীজিন্নরিবা মীশিংনা শেল য়াম্না চাদিং তৌবা তারকই। অদুনা ইলেক্ট্রিসিটি য়াওদনা ঈংহনবা ঙম্বা পাম্বেশিং পুথোকপগী মথৌ তারকই।


লিঙ্গিয়নো জু (ওয়), শানহুই ফেন (ময়াই) অমসুং আসৱথ রমন

কুমজা ২০১৩দগী ষ্টানফোর্দ য়ুনিভর্সিটিগী পেকার্দ ইলেক্ট্রিকেল এঞ্জিনিয়রিং বিল্ডিংগী প্রোফেসর শানহুই ফেন অমসুং মহাক্কী মহৈরোয়শিং, আসৱথ রমন অমসুং ইলি গোল্ডষ্টেননা অৱাংবা টেক্নোলোজি শীজিন্নবা, মিংশেলগা মান্নবা ওপ্তিকেল সর্ফেস অমা য়ূমথক্তা থিল্লগা ইলেক্ট্রিসিটি য়াওদনা ঈংহন্নবগী পাম্বে অমা শেমগৎপা হৌখি। মখোয়গী কাঙলোন অসিদা, অচেনবা ঈশিংগী শাবগী চাংনা অকোয়বগী নুংশিত্তগী হেন্না ঈংহনবা ঙমখিরম্মী। মখোয়গী রেদিএটিভ স্কাই কুলিংগী কাঙলোন অসিনা ঈশিংগুম্বা মহী অমবু ঈংহল্লবা মতুংদা কুলিং সিষ্টম অমগা শম্নদুনা য়ূম অমবু ঈংহনবগী থবক পাঙথোকই। মখোয়গী অহানবা থিজিনবগী পাউদম অদু ‘নেচর এনর্জি’ (সেপ্টেম্বর ৪, ২০১৪) দা ফোঙদোকখিবনি। অদুগা মখোয়না ‘স্কাইকুল সিষ্টমস’ হায়বা কম্পেনি অমা লিংখৎতুনা মখা তানা থিজিনবগী থবক অসি পাঙথোরকখিবনি।

রেদিএটিভ স্কাই কুলিং হায়বসি মহৌশাগী ওইবা থৌওং অমনি; থৌওংসি ঐখোয় খুদিংমক্না নুমিৎ খুদিংগী থেংনদুনা লৈরিবনি। নুংশা শারিঙৈ মতমদা কোয়লাস থাবা লম্বী অমা য়াম্না শাগৎলকই, অদুগা নুমিৎ তাখ্রবা মতুংদা তপ্না-তপ্না ঈংথরকই। থৌওং অসি ঐখোয়না লৈচিল নোংফাই থাংদবা নুমিদাং অমদা ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্মী। মরমদি লৈচিলশিং লৈতবা মতমদা, লম্বীদুনা নুংথিলগী মতমদা চুপশিল্লম্বা মৈশাদু অহাঙবা মালংদা পাইদুনা চৎখি (রেদিএসনগী মতেংনা)। অসুম্না মৈশা থাদোকখিবসি মালেমগী অতোপ্পা লৈমাই (ঈশিং অমসুং কংফাল) শিংদগীসু থোকই। অদুবু করিগুম্বা লৈচিল নোংফাই থাংলবদি, লৈচিলশিংনা ফত্তবা কন্দক্টর ওইবনা মৈশাদু পাইথোকখিবা ঙমদে হায়বদি ঐখোয়গী অকোয়বদা নৈশিন্দুনা লৈ; অদুনা লৈচিল নোংফাই থাংবা অহিংশিংদা শাগৎলি।


পেকার্দ ইলেক্ট্রিকেল এঞ্জিনিয়রিং বিল্ডিংগী মথক্তা থিল্লিবা রেদিএতিভ স্কাই কুলিং সিষ্টম

থৌওং অসি নুংথিলগী মতমদসু থোক্লিবনি। অদুবু নুংশাগী মৈশানা কনমনখিবনা, রেদিএট তৌখিবা মৈশাদগী নুংশাগী মৈশানা হেন্দুনা শাগৎপনা হেল্লিবনি। করিগুম্বা নুংশাগী মৈশাশিংদু অতোপ্পা মায়কৈ অমদা চেন্থোকহনখিবা ঙম্লম্লবদি, নুংথিলগী মতমদা অদুক হাক্লা শারম্লোইদবনি।

মতৌ অসুম্না ঐখোয়গী হকচাংদগী মৈশাসি রেদিএটিভ কুলিংগী মতেংনা অতিয়া অমসুং ঐখোয়গী অকোয়বদা থাদোকখ্রবসু, কালেনগী শারবা মতমদা ঐখোয়না ঈংবা ফাওদে হায়বদি শাগৎলি মরমদি থাদোকখিবা মৈশা অদুদগী নুংশাগী মৈশানা হেন্না কল্লি। করিগুম্বা রেদিএটিভ কুলিংদা থাদোকখিবা মৈশা অদুনা নুংশাগী মৈশাদগী হেল্লম্লবদি, ঐখোয়না ঈংবা শোইদনা ফাওরমগনি। অসিগুম্বা ফীভম অসি ওইনবগীদমক, থিজিন লূপ অসিনা নুংশাগী মৈশাগী ৯৭% থক্তোকহনখিবা ঙম্বা মরোল কয়ামুক্না শেম্বা ওপ্টিকেল ফিল্ম অমগী লৈমাই অমা শেমগৎখি। মরোলশিং অসিগী অপূনবা থাবগী চাংসি মাইক্রোন ১.৮ খক্তনি, হায়বদি খ্বাইদগী পাবা এলুমিনিয়ম ফোইল অমদগী হেন্না পাই। মসি লুপা (সিলভর) গী মরোল অমগী মথক্তা সিলিকোন দাইওক্সাইদ অমসুং হাফনিয়ম ওক্সাইদকী মরোল তরেৎ হাপ্লগা শাবনি। নুংশাগী মৈশাদু থক্তোকহনখিবগা লোয়ননা লৈমাইদুনা ফংলকপা মৈশাশিংবুসু নুংশিৎতা (এটমোসফ্যেরদা) রেদিএট তৌহনখি। কুমজা ২০১৪দা ফোঙদোকখিবা চাংয়েংশিংদা লেয়র কয়াগী ওপ্তিকেল সরফেস অমগী অপিকপা ৱেফরশিং শীজিন্নখি। মসিগী মখা তারকপদি, মখোয়গী খূৎলায়শিং অসিবু হেন্না ফগৎহন্দুনা স্কাই কুলিং সিষ্টম অসিবু মপূং ফাহনবনি।

মখা তারকপদা, থিজিন লূপ অসিনা অচেনবা ঈশিং য়াওরিবা পাইপশিংগী মথক্তা ওপ্তিকেল সরফেসশিং থম্লগা, মদুবু অমুক পেনেলশিংনা কুপশিল্লম্মী অদুগা অসিগুম্বা সিষ্টম অসিবু পেকার্দ বিল্ডিংগী মথক্তা থমদুনা চাং য়েংখি। পেনেলশিং অসিগী নাকলশিংদু ফুট ২-দগী হেন্না শাংই। ঈশিংদু য়াম্না য়াংনা চেনবগা লোয়ননা নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা ঈশিংগী শাবগী চাংদু অকোয়বগী নুংশিৎকী শাবগী চাংদগী সেলসিয়স দিগ্রী ৩দগীনা ৫ ফাওবা হন্থবা থেংনরম্মী। পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিংগী দেটাশিংদু খোমজিল্লগা সিমুলেসন অমা শেম্লগা, অশাবা মফম ওইরিবা লাস ভেগাসকী মথোল অনী ৱাংবা, ওফিস বিল্ডিং অমগী য়ূমথক ওইনা পেনেলশিংদু শীজিন্নদুনা য়েংবদা বিল্ডিং অদুবু মতিক চানা ঈংহনবা ঙম্লম্মী। মখোয়গী সিষ্টম অসিনা ইলেক্ট্রিসিটি কয়ামুক কনবা ঙম্বগে হায়বদু য়েংনবগীদমক, মখোয়না নুংশিৎনা ঈংহল্লবা চিল্লর অমগী মহুত্তা, মখোয়গী পেনেলশিংনা ঈংহল্লবা কন্দেন্সর অমা য়াওবা ভেপর-কমেপ্রেসন সিষ্টম অমা শীজিন্নখি। কালেন থাশিংদা মখোয়গী পেনেলশিংনা ইলেক্ট্রিসিটিগী মেগাৱাট্ট ১৪.৩ কনবা ঙমখি। মসি বিল্ডিং অদুবু ঈংহনবদা চঙবা ইলেক্ট্রিসিটিগী চাং ২১% হন্থরবনি। চহী চূপ্পা অমা য়েংবা মতমদনা, নোংমদা ইলেক্ট্রিসিটি কনবা ঙম্বগী চাংসি ১৮%দগীনা ৫০%গী মরক্তা হোংদোক-হোংজিন তৌরম্মী।

অতোপ্পা অমরোমদনা, শানহুই ফেন অমসুং রমন্না রেদিএটিভ স্কাই কুলিংগী ৱাখল্লোন অসিবু শীজিন্নদুনা সোলর সেলশিংগী ইফিসিয়েন্সি-বুষ্টিং কোটিং অমা শেমগৎলম্মী। ষ্টানফোর্দকী মেটরিএলস সাইন্সকী প্রোফেসর অমসুং এস এল এ সী নেসনল এক্সেলরেটর লেবোরেটরিগী য়ি কুইগা খূৎশম্নদুনা ফেন্না হকচাংবু ঈংহনবা ঙম্বা ফি মখল অমসু পুথোকখ্রে। অসিগুম্বা সিষ্টম অসি চহী খরগী মতুংদদি পাক শন্না শীজিন্নরকপা য়াবগী ওইথোকপসু লৈরে হায়রি। ●

# অহানবা মরাথন লমজেল -২

**- লৈশাংথেম অজিৎ -**

লমথাফমদগী কিলোমিটর ২৩ থাপ্না লৈবা কারভতি কৌবা খুঙ্গং য়ৌরকপদা লরমাসিওবু খুঞ্জাশিংনা খুদোল তৌদুনা ওক্লম্মী। মতাং অসিদা অমেরিকাগী অর্থর-ব্লেক অমসুং গ্রিস মচা কয়ামরুম চেনবা ঙমদনা লৈহৌরে। কারভতি হেন্দোরকপদা লৈবা ঙম্লপ তৌবা মফম অমা চেনখৎলকপদা লরমাসিও ৱামনখিবনা চেনবা ঙমশিল্লক্লমদে মতাং অসিদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এদৱিন ফ্লেকনা মহাকপু হেঙ্গত্তুনা মমাঙ অমুক থাখি। এদৱিন-ফ্লেকপু লম্বা তৌদুনা তান্নরক্লিবদি গ্রিস মচা হারিলাওস-ভাসিলাকোস অমসুং স্পিরিদন-লুইনি। লরমাসিওনা মখোয় অহুমবু তান্নরকপদা কিলোমিটর ৩২দা ৱান্থখি, মফম অসিদগী স্পিরিদন-লুইনা ময়াম অদু হেঙ্গত্তুনা মমাঙ থাখি। স্পিরিদন-লুইগী মতুং ইন্নরক্লিবশিংদি মথং-মনাও ওইনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ফ্লেক, হঙ্গেরিগী কেলনর, গ্রিসকী হারিলাওস ভাসিলাকোস অমসুং বেলোকাসনি। ফ্লেক কিলোমিটর ৩৭তগী হেন্না চেনবা ঙমখিদে, মহাক ৱান্থদুনা ষ্টেদিয়মদা পুরকপদা নিংথৌ মচানুপা নিকোলাস মশামক য়াওনা লায়কন্নরম্মী।

হৌজিক স্পিরিদন-লুই নক্নবা লম্বা য়াওদনা ষ্টেদিয়ম তম্না অরৈবা মপাঙ্গল মথৌনা খোমগৎতুনা চেল্লক্লম্মী। শগোল তোংবা অমসুং সাইকল তোংবশিংনা ষ্টেদিয়মদা নিংথৌ জর্জদা লমজেলগী পাউ পীবা হেক-হেক লাক্লম্মী। লমজেল হৌরকপদা লরমাসিওনা মাঙ থাদুনা চেনবা, মথংদা ফ্লেক্না (ওষ্ট্রেলিয়া) মমাঙ থাদুনা চেলহৌরি তাবদা ভাবকশিং অদু নীংবা কায়রম্মী। মতুংদা লমথারুবা মেজর অদুনা ষ্টেদিয়মদা শগোল থৌজিল্লক্তুনা নিংথৌ জর্জদা গ্রিক অমনা মমাঙ থাদুনা চেল্লকহৌরে হায়না পাউদল্লম্মী। পাউ অদু মীকুপ অমগী মনুংদা ভাবকশিংগী মনাকোং য়ৌদুনা তিল্লিবা মীয়ামশিং অদুনা *“গ্রিক মচা অমনা”* হায়না মমালোন্দা *“ইল্লীন”* হায়না লাউনরিঙৈদা স্পিরিদন লুই কৌবা চহী ২৪শুবা পিক্তক তৌবা নহা অমা ষ্টেদিয়মগী মার্বলনা শাবা চঙফম থোঙ্গাললোমদা চেনশিল্লক্লম্মী, মদুদা য়ুবরাজ কনস্তানাতন মনাওনুপা অনী ফমফমদগী হৌগৎতুনা জর্ম্মনিগী ডাক্তর গেবহাদট, ফ্রান্সকী জাভেনস, হঙ্গেরিগী কেমেনি, ইংলেন্দগী সিন্নবস, ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি মানোঅসনা স্পিরিদন-লুইগী নাক-য়েত্তা লমথুংফম ফাওবা চেনমিন্নখি।

অসুম্না স্পিরিদন-লুইনা ওলিম্পিক্কী অহানবা মরাথন্দা মকোক ওইদুনা গ্রিস পূম্নমক্কী মমায় ঙাকখি, মহাক্না লমশাং অদু চেনবদা পুং ২ মিনিট ৫৮ সেকেন্দ ৫০ চঙলম্মী। গ্রিসকী শান্নরোয়শিংনা অতৈ মশান্নশিংদা মকোক ওইবা য়াওরবসু ওলিম্পিক্কী মরুওইবা মশান্না এথলেটিক্সকী থৌরমশিংদা মকোক ওইবা ঙম্বা অমত্তা য়াওরমদে, অহল-লমন হাক্তক্তগী হৈনরক্নবা মনাৎকী মশান্না দিস্কস অমসুং লোংজম্প ফাওবা অমেরিকা মচাশিংনা থোইখিবা অদুদা গ্রিক পূম্নমক য়াম্না নীংবা কায়না লৈরম্লবনি।

ভাবকশিংনা হরাউমন্দুনা তুপী লংখৎলম্মী, লুইদা কোনশিল্লম্মী, চুপ্পীরম্মী, মহাকপু লেংজুমদা কোয়থাং থাংদুনা চৎলম্মী। অনীশুবদা লাকপা অদুসু গ্রিস মচা ওইরম্মী, মমিংনা হারিলাওস ভাশিলাকোস কৌরম্মী, মহাক্না লুইদগী মিনট ৭ থেংথনা লমথুংফম য়ৌদুনা পুং ৩ মিনট মঙা সেকেন্দ ৫০ চঙলম্মী। স্পিরিদন বেকোলাস কৌবা গ্রিস মচা অমনা নমথাক তৌদুনা অহুমশুবদা লাকখি, মহাক্না নমথাক তৌই হায়বা অহানবদা খঙদবনা এথেন্স সহর পূম্বা গ্রিস মচানা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন ফংলে হায়দুনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লম্মী। অদুমকপু হরাউবা অদু মতম কুইরমদে মরমদি মরিশুবা তাখিবা হঙ্গেরিগী গয়ুলা - কেলনরনা বেকোলাসনা মঙোন্দগী হেঙ্গৎখিদে, মহাক্তি গাড়ী তোংখত্তুনা চৎখিবনি, লমথুংফম য়ৌরমদাইদা মখোঙনা অমুক চেনখিবনি হায়না ৱাকৎলম্মী। থৌদোক অদুগী থিজিন্নবা কম্মিটি অমা শেল্লম্মী অমসুং মদুদা বেকোলাস মশানা গাড়ী তোংখৎতুনা চৎলি হায়না য়াখি। মঙোন্দা পীরম্বা মনা-মথুমশিং অমুক লৌশিনখি, মীয়াম্না অমদি খুন্নাইনা মহাকপু ইন্থোকখি। গয়ুলা কেলনরনা অহুমশুবা মনা ফংখি।

মকোক ওইখিবা স্পিরিদন লুই লৈবাক্কী থৌনা ফবা নুপা অমা ওইরে। নিংথৌ জর্জ অহানবদা মঙোন্দা করি পাম্বগে হংবদা মহাক্না শগোল অমগা মদুনা চিংনবা গাড়ী অমগা পাম্মী হায়রম্মী। মসিগী মরমদি মহাক্কী খুঙ্গং অমারোওসিওন্দগী এথেন্স ফাওবা শগোল গাড়ীদা ঈশিং য়োনবা চৎপদা শীজিন্নবনি। এথেন্স ঈশিং তাঙবা সহরনি, সহর অসিগী মীওইশিংনা খুঙ্গংদগী অঈংবা ঈশিং লৈদুনা শীজিন্নরম্মী। স্পিরিদন লুই লৌউবা নুপা অমা ওইরবসু মহাক্কী খুঙ্গংদগী এথেন্স ফাওবা লোলা অমগী মথক্তা ঈশিংগী দ্রমশিং হাপ্তুনা এথেন্সতা ঈশিং য়োনবা চৎলম্মী। মদুদা মহাক্না এথেন্স য়ৌনা চৎপদা কিলোমিটর ১৪ রোম লোলাগা চেনমিন্নরম্মী, হল্লকপদা লোলা তোংলগা লাক্লম্মী। অসিগুম্বা খোঙচৎ অসি নোংমদা অনীরক ওইরম্মী। মহাকপু কনাগুম্বনা চিঠি য়েনবা নুপানি, কনা অমনা লৌমীনি, অতোপ্পশিংনা য়াউ শেনবনি অমসুং লান্মীনি হায়নৈ। শম ককপা নুপা অমনা মহাকপু মপুন্সি চুপ্পা শম কক্কনি হায়না লাউথোকখি, হোটেল ফম্বা নুপা অমনা লুইগী মপুন্সি চুপ্পা লেম্না চানবা পীগনি হায়না মীয়ামদা ফোঙদোক্লম্মী। ফিরোল, সনা-লুপা, মমল-য়াম্লবা ঘড়ীনচিংবা মঙোন্দা খুদোল ওইনা পীরম্মী। অসুম্না হায়নৈ মদুদি ইনাকখুনবা জর্জীয়ওস এভেরোফনা গ্রিক মচা অমনা মরাথোন্দা মকোক ওইরবদি মহাক্কী মচানুপী পীগনি অমসুং শেলগী মনাসু পীগনি হায়না লাউথোক্লম্মী। লুইদি নুপী লৈবা নুপা ওইবনা এভেরোফকী মচানুপী অদু খুদোল ওইনা লৌখিদে, শেলগী মনাদি লৌখি।

স্পিরিদন-লুই, লাই থাজবা নুপানি, লমজেল চেনগদবা নুমিৎকী মমাঙগী অহিং অদু মহাক চরা হেন্দুনা লাই খুরুম্লম্মী। ওলিম্পিক্তা মায়পাক্নবা মতুংদা মহাক লমজেল অমুক য়াওখিদ্রে। চহী নিফুগী মতুংদা মহাকপু কুমজা ১৯৩৬কী বার্লিন ওলিম্পিক্তা বার্ত্তন তৌরক্তুনা ওলিম্পিক্কী অতিথি ওইনা ইকায়খুম্নরম্মী। ওলিম্পিক অদুদা মহাক্না জর্ম্মনিগী চান্সেলর হিটলরদা- ওলিম্পিয়াগী অশেংবা মফমদা হৌবা চোরফোল মসা অমা পুরক্তুনা শান্তিগী শক্তম ওইনা শীন্নরম্মী। লুই কুমজা ১৯৪০দগী মার্চ ২৭তা লৈখিদে অদুবু গ্রিকশিংনা *‘ইগিন লুই’* হায়বা ৱাহৈ অসি হৌজিক ফাওবা শীজিন্নরি - মসিদি *“থুরো”* হায়বনি, চপ চাবা ৱাহন্থোক্তি *“লুইগুম্না য়াংঙু”* হায়বনি।

জিয়া - বেইদা ইরোয়বগী অথোই-অহেন তান্নহল্লম্মী। বেই হায়বদি কংফালনা মায়কৈ অহুমদা কোয়শিনবা ঈশিংগী শরুকনি, বেই অসিদা পেরিয়াস কৌবা হিথাংফম অমা লৈ, হিথাংফম অসি সহর মচা অমনি। ইরোয়বগী থৌরম অসি পেরিয়াষ্টা পাঙথোক্লম্মী।

শান্নরোয়শিংবু হিদা হাপ্তুনা ঈশিং ঈয়াইদা পুথোক্লগা ঈয়াইদগী কংফালরোমদা লমথারকই। লমথুংফম্না কংফাল হায়বদি লৈরাই মপান্দগী লাপ্তক্না ফিরাল অঙাংবশিং ঈশিংদা য়ুংদুনা থনম্মী। লমথাফমদা অয়াংবা পোৎ চোংগাংগুম্বশিংনা থৌরিদা পুল্লগা তাউহন্দুনা থনম্মী। ঈশিং অদু সেন্টিগ্রেট দিগ্রী ১৩ রোম ঈংলম্মী অমদি মিটর অহুম মখায়রোম ৱাংবা ঈথক্না ইরোয়বদা শরুক য়ারিবশিং অদুদা অৱাবা অমা ওইহল্লম্মী।

ইরোয়বগী থৌরম মরি পাঙথোক্লম্মী, মখোয় অদুদি মিটর ১০০, মিটর ৫০০ অমসুং মিটর ১২০০গী ফ্রী-ষ্টাইল অমদি ঈশিং লান্মী নেভিশীংগীদমক্তা তোঙান্না পাঙথোকপা মিটর ১০০গী ফ্রী-ষ্টাইলনি। থৌরম মরি অসিগী মনুংদা হঙ্গেরিগী অলফ্রেদ-হাজোসনা অনীদা মকোক ওইখি। মহাক্না নোংমদা মিটর ১০০ অমসুং মিটর ১২০০গী ইরোয়বদা মকোক ওইদুনা মঙম অসি পাঙথোকখি। মিটর ১০০গী ফ্রী-ষ্টাইলদা এথলেট ১৩ শরুক য়ারম্মী, মিটর ৭০ ফাওবদি মখোয় অমনা-অমবু হেনবা ঙম্নরমদে, অরোইবগী মিটর ৩০দা হাজোসনা ময়ামগী হেঙ্গত্তুনা ওলিম্পিক্কী অহানবা ইরোয়বগী চেম্পিয়ন ওইখি। নুমিৎ অদুমক্তদা মিটর ১২০০গী থৌরম য়াওবা মতমদদি খরা শিঙ্গৎলক্তুনা অঈংবদগী ঙাকথোক্নবা মশা অদু থাউ থানা তৈশিল্লম্মী। লমজেল অসি হেক লমথাবগা অশিল-অরাং তৌরিবশিং অদুনা এথলেটশিং অদু হুন্দোক্লম্লগা সমুদ্র খোংবাল তম্না হি অমুক হোল্লক্তুনা লমথুংফমদা লমথারে হায়না পাউ পীবা চৎলুই। হিশিং অদুনা অমুক হল্লকপদদি লমথুংফম য়ৌশিনবা ঙমদবা শান্নরোয়শিং অদু লৌখৎপীরম্মী। ●